## অশিবা হকচাং লৈরম্লে

*লামায় ১গী মখা...*অদুম ওইনমক ঙসি ফাওবদা লৈখিদ্রবা মীওই অসিগী মমিং মথা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি। মীওই অসি ফুট ৫গা ইঞ্চি ৫ রোম ৱাংই, কুলৈ কুন্সনি, মশা পাই, মশম তেল্লগা মুই অমসুং শমতুগী ব্লু অমসুং ব্লেককা লোয়ননা অঙাংবনা লাংবা ফুল সর্টঅমা, ব্লু মচুগী ইন্নর ৱায়র অমা অমসুং জিন্সকী খোঙ্গাও অশাংবা অমা শেৎলি হায়রি।

## বন্দ হন্দোক্লে

*লামায় ১গী মখা...* থবকশিং অদু য়েংশিল্লবা মতুং ঙসি নুমিদাংৱাইরম মোইরাং চেঙ্গৈ লম্পাক্তা কেমকলগী থৌমীশিংগা উনবা অমদা জেনরেল সেক্রেটরিনা মখা তানা হায়, এস দি ও মোইরাংনা কেমকল অমদি মমপিলগী থৌমীশিংদা হায়রিবা লম্বী অসিগী নাক য়েৎতা লৈরিবা লোগী ৱাংমদা য়ূম অমদি দুকান শাজিল্লকপশিং, ইলেক্ট্রিকী পোল, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী উ-ৱা হৌরিবশিং, পি ঐচ ঈ দিগী ৱাটর পাইপশিং অসি লৌথোক্লগা লম্বীগী পাক চাওবা ওইগাদৌরিবা মিটর ১২গী মপান দা থমদুনা লম্বী অসি পাকথোকহল্লগনি হায়না থাজবা পীরম্বা অদু ঙসিদগী থবক ওইনা পাঙথোকপা হৌরকপদগী খোঙজং অসি হন্দোকপনি। অদুবু এস দি ও মোইরাংনা পায়খৎলিবা থবকশিং অসি মথং থাগী ৫ ফাওবদা মপূং ফানা পায়খৎত্রবদি থংনবা নুমিৎ সেপ্টেম্বর ৬তগী চাকা বন্দগী খোঙজং অমুক হন্না চঙশিন্নবা শেম শারগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 86.448115 |
| US Dollar | 73.092384 |
| British Pound | 100.729212 |
| Australian Dollar | 53.589768 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.311828 |
| Japanese Yen | 0.665402 |
| Malaysian Ringgit | 17.586503 |
| Singapore Dollar | 54.411308 |
| South Korean Won | 0.063141 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.491302 |
| Thai Baht | 2.265267 |

**FOREX (INDIA RUPEES)**

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 47042.00 |
| Mumbai | – | Rs | 47320.00 |
| Delhi | – | Rs | 47228.00 |
| Kolkata | – | Rs | 47555.00 |

## GAS NEWS

**M/S K&K INDANE SERVICE,**
home delivery only
**Booking uptodate**
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING
70057 07605, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE - 9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.
Enquiry no. 9856134465

**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO -16-07-2021,**
VALID FROM 28-06-2021,
**STOCK : 1224**
HOME DELIVERY ONLY.
CONTACT NOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM

**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 AM TO 12:00 NOON
**BOOKING : BK. UPDATE**
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST
8131942156 (SMS/ WHATSAPP) 7085198900 (ENQUIRY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052
FOR ALL LANGOL AREA 7085977502
DELIVERY WITHIN 3 TO 5 DAYS

**M/S R & H INDANE SERVICE IRILBUNG**
Only Home Dellivery
**Booking Upto 24/06/2021**
Valid from 19/06/21
**Stock 306 nos.**
Home Dellivery & Booking
Contact numbers 8132036940, 8414824977, 8413936705
Call timing 8 am to 12 noon
Sunday closed

**KHONGNANG GAS AGENCY,NINGTHOUKHONG**
**Booking upto: 26/08/2021**
Valid from: 10/07/2021
Please Contact mobile no. 7085411559 and 7085412119
Time: 7:30 am to 10:30 am

**HARAN VALLEY INDANE GRAMIN VITRAK, KWAKTA**
**Booking Up to: 20/08/2021**
Valid from: 13/07/2021
Please contact mobile no. 7085412191
Time: 7:30am to 10:30am

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 07/07/2021
**BOOKING UPTO: 12/07/2021**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY: 03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM

**JRONGMEI SK INDANE WANGOI,**
**BKING UPTO 29/6/21**
Valid from 25/6/21.
**Stk 306**
Timing-6am to 9am.
Home Delivery (Contact no. 8974426830/8119073029)

**JEMON GAS SERVICE SINGJAMEI CHINGAMATHAK**
**Booking upto 25/07/21**
Valid from 03/05/21
Time 8:00 to 10:00 a.m
Call only enquiry & Complete
A) 6033989480 Naoriapakhanglakpa, Keishamthong, Sagolband.
B) 6033989481 Singjamei, Yaiskul, Wangkhei, Langthabal
C) 6033989482 Thongju , Khurai Wangoi, & other
Plase complaint Delivery after 4 days
Booking After Delivery
Home Delivery Driver contact no.
A) Tokeyo 9362777834
B) Bikram 9362777835
C) Sunder 9362777836
D) Narendra 9362777838
E) Soman 9362777840

# দি এল এস এ, বিষ্ণুপুরনা লিগেল এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচএনএস):
দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (দি এল এস এ), বিষ্ণুপুরনা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা) গী মীৎয়েং মখাদা 'চেলেঞ্জেস এন্দ ইস্যুজ ফেস বাই ট্রান্সজেন্দর কম্যুনিতি ইন এভাইলিং ভেরিয়স ৱেলফ্যের স্কিম স্পেসিএল্লি দ্যুরিং কোভিদ-১৯ পেন্দমিক' হায়বা টোপিক অসিদা নোংমগী ওইবা ওনলাইন লিগেল এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী প্রোগ্রাম অসি জীটসি মীট এপ্লিকেসনগী খূত্থাংদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী পি এল ভি, পেনেল লোয়র অমসুং ট্রান্সজেন্দরশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবনি।

প্রোগ্রাম অসিগী পেনেল মেম্বরশিংদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দি এল এস এগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ ৱাইখোম তোনেন মৈতৈ, দি এল এস এ অসিগী সেক্রেটরিসু ওইরিবী চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট মোনালিসা মাইবমনা মোদরেটরশিং ওইখি। অদুগা টোপিক অসিগী মতাংদনা বিষ্ণুপুরগী জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ফর্ষ্ট ক্লাস কম সিভিল জজ (জুনিয়র দিভিজন) মার্গরেট নিয়াংসিয়ামকিম অমসুং মরুপলোয় ফাউন্দেসনগী সেক্রেটরি মাইমোম রঞ্জিৎনা ৱা ঙাঙখি।

ঙসিগী লিগেল এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অসিগী মনুং চন্না দি এল এস এ অসিগী চ্যেরমেন অমসুং পেনেল মেম্বরশিং, পেরা লিগেল ভোলুন্টিয়রশিং, পেনেল লোয়রশিং অমসুং ট্রান্সজেন্দরশিংগগী মরক্তা দিস্কসন সেসন অমসু পাঙথোকখি।

# লিকর প্রোহিবিসন এমেন্দমেন্টগী থবক খুদক্তা ...

*লামায় ১গী মখা...* মমৈথংদা এক্ট অসি কান্নদবা এক্ট ওইনা লৌরকপনি।

মণিপুর লৈঙাক্কী ৱাখল খন্থবা ৱাৎপা অমদি পাংদবশিং, অশোনবশিং উৎথোকপনি হায়না লৌগনি। এক্ট অসিবু কান্নদ্রে হায়দুনা অমুক হন্না ফিরেপ লৌরকপা হায়বসি য়াম্না ইকায়নীংঙাইনি। মণিপুর লৈঙাক্না শেল খক্তং উবা, ইনকম লাক্লবা লম্বী থিরকপদা ময়াই কাবা য়ুবু লিগেলাইজ তৌদুনা শুংহন্নবা হোৎনবা অমদি শুংলিবা য়ুবু মণিপুরদা য়োলহল্লোই, মপান লমদা য়োলহন্নবা থাদোকখিগনি হায়বসি য়াম্না নোক্লিংবা ৱাফমনি। অকনবা লো কয়া শেমদুনা ময়াই কাবা চিঞাক মখলশিং য়োনবা, শীজিন্নবা অমদি লমদমসিদা পুশিল্লকপা য়ারোই হায়বা লৈজরবসু ঙসি ফাওবদা মপূং ফানা থিংবা ঙমদ্রি। মসি মণিপুর লৈঙাক অমদি মরী লৈনবা লোয়শঙশিংগী অশোনবনি। মশাগী মথৌ মপূং ফানা পাঙথোকপা ঙমদ্রগা য়ু শুংবা, য়োনবা য়াহল্লসি হায়রিবা মণিপুর লৈঙাক অসি কয়া য়াম্না শোল্লবগে অমদি কম্মিটমেন্ট লৈত্রবগে হায়বদু য়াম্না ময়েক শেংনা উৎথোকচরে হায়রি।

ময়াই কাবা চিঞাকশিং থিংবা ঙমদ্রগা শুংহল্লসি, য়োলহল্লসি অমদি মসিদগী অচৌবা শেনফম লাকহন্নবা শেল্লসি হায়বসি লৈবাক খুন্নাইবু য়োন্থোক্লগা খুন্নাইগী য়ূম্বীশিংবু তুম্না মাঙহল্লগা শেল ওইনা পৈশিলহৌসি হায়বনি। লমদম অসি মাঙহন্নবা লৈঙাক্না শিনবনি হায়রি।

লৈঙাক্কী থৌওং অসিদা লৈবাক মীয়াম্না খঙনীংলিবা ৱাফমদি লমদমসিগী রেভিন্যু কাহন্নবা য়ু য়োলহন্দ্রবদি, শুংহন্দ্রবদি অতোপ্পা পাম্বৈ অমত্তা লৈত্রা। মসি ওইবা তারবদি হেন্না রেভিন্যু কাহন্নবা পোপি পাম্বীশিং পাক শন্না থাহনবা, নম্বর ফোর শুংহনবদি য়াদ্রা হংলি।

ঙসি মণিপুরদা ময়াই কাবা য়ু থক্লম্বদগী হেন্না তমথীবা চিঞাক মখল কয়া চারকপা, শীজিন্নরকপা হায়বসি মশানা তাজরবা ৱাফমনি। য়ু য়োনবা, অপিকপা চাংদা লম্বী সরক্তা নম্বর ফোর চাবা মীওই কয়া ফাবা, ফাইন থিহনবা অমদি ময়াই কাবা চিঞাক চাবা থিংনবা লৈঙাক্না কন্না হোৎনরি হায়বসি তাবদা য়াম্না নোক্লিংবা ৱাফমনি। লুপা ক্রোরনা খুজিং ওইরগা ময়াই কাবা চিঞাক লল্লোল্লিবা মীওইশিংবুনা কনখৎতুনা থম্বা লৈঙাক্কী থৌশিলসিনদি কৈদৌনুংদা লমদমসিদগী ময়াই কাবা চিঞাক থিংবা ওইথোক্তে। অচৌ অশাং, ফম্লাইবা, অকল অথৌশিংনা ময়াই কাবা চিঞাক লল্লোনবদা য়াওরিবশিং মতিক চাবা চৈরাক পীদ্রিবমখৈদি মসিবু থিংবা ওইথোক্তে। পূম্নমক অসি য়েংলুরগা লমদমসিগী মমা ওইবীশিংনা কুমজা ১৯৭০দগী হৌরগা য়ু থিংবগী অকনবা ঈহৌ হৌদুনা লাকখিবনা ময়াই কাবা চিঞাক থিংনবগীদমক্তা মপুন্সি কৎথোকখিবা কয়া অমা লমদমসিগী পুৱারীদা মুৎনাইদনা লৈহৌরগদবনি। মদুগী মহয়না লমদমসিদা ঙসিনা মৈরা পায়বী হায়না খঙনরিবা অদুগা মতম অমদনা নিশা বন্দনি হায়না খঙনরম্বা ওল মণিপুর ৱিমেন্স সোসল রিফোর্মেসন এন্দ দিভেলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ) না ঙসিগী লৈঙাক্না ময়াই কাবা য়ুবু লিগেলাইজ তৌদুনা ইনকম লাকহন্নবনি হায়দুনা মণিপুর লিকর প্রোহিভিসন এমেন্দমেন্ট তৌনবা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি খুদক্তা হন্দোক্কদবনি। লৈঙাক্কী থৌশিলনা লৈবাক ঈরাং থোকহন্নবা শিনগনু হায়রি।

# মিনিষ্টরনা লেপ্তুনা তেংবাঙলি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস) :
মিনিষ্টর টিঐচ বিশ্বজিৎকী মীৎয়েং মখাদা মহাক্কী মনাউনুপানা ককৱা শেলুংবা লৈকায় পোল্লিং ষ্টেসন ৫/১দা লৈরিবা অনাবনা শোকহল্লবা লায়রবা ইমুং, লুহোংগদবা মতম ঙাইদুনা লৈরিবা ইমুংগী মীওইদা অমদি লৈকায় অসিগী লু-নানবগী থবক্তা শরুক য়ারিবা ইচিন-ইনাউশিংদা শেলগী মতেং অমদি লম্বী শেম্নবা নুংনচিংবা কয়া মতেং পাংবিরম্বগীদমক দরা এলায়জ সমসন থোঙাম অমদি এম এল এ অনীবু লৈকায় অসিগী ভলন্টিয়রশিংগী মায়কৈদগী থাগৎপা অমদি ইকায়খুম্নবা উৎলক্লি।

## খোঙজং চঙশিল্লনি...

*লামায় ১গী মখা...* য়াম্না চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্নহল্লে। মসিগী মথক্তা মতম কুইনা থোঙ লোল্লকপনা পম্প অসিগী মমাঙদা ব্লেকতা থাও কয়া য়োনশিন্নরকপনা মৈহৌ লাংপোক থোক্দ্রা হায়বগী মীপাইবসু পোক্লেহায়না ক্লবকী প্রসিদেন্ট প্রফুল্লো খোমদ্রামনা ফোঙদোরক্লি।

মসিগী মতাংদা আই ও সীনা অকনবা মীৎয়েং চঙবীদুনা পম্প অসি অথুবা মতমদা হাংহনবীয়ু নৎত্রবদি ক্লবনা পম্প অসি মতম চুপ্পগী ওইনা থিংজিন্নবা ৱারেপ লৌরে হায়রি।

## মীফমশিং পাঙথোক্লম্লগা জয়রাম...

*লামায় ১গী মখা...* সী সীগী কোওর্দিনেসন কম্মিটি, কেম্পেইন কম্মিটি, প্রদেশ ইলেক্সন কম্মিটি, পব্লিসিটি কম্মিটি, মেন্যুফেষ্টো কম্মিটি, ফাইনান্স কম্মিটি অমসুং মীদিয়া কোওর্দিনেসন কম্মিটিগী মীফমশিং হৌখিবা ওগষ্ট ২৬ তগী হৌরগা ঙসি ফাওবা মথং মথং পাঙথোকখিবনি।

ঙসি অয়ুকসু জয়রাম রমেস য়াওনা মীদিয়া কোওর্দিনেসন কম্মিটিগী মীফম কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখি। মীফম অদু লোয়রবা মতুং জয়রাম রমেস অমসুং ভক্ত চরন দাসনা ৱাঙ্খেম এ সীগী ব্লোক কোংগ্রেস, মহিলা কোংগ্রেস অমসুং য়ুথ কোংগ্রেসকী থৌমীশিংগসু য়াইরিপোক বিষ্ণুনহাদা লৈবা এম এল এ কে মেঘচন্দ্রগী য়ুমদা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। তুংদা জয়রাম রমেসনা ঙসি নুংথিল পুং ২দা অমসুং ভক্ত চরন দাসনা নুংথিল পুং ৪ দা ফ্লাইট তোংদুনা দেল্লীদা হনখিবনি।

জয়রাম রমেসনা ইম্ফালদা লৈরিঙৈদো কোংগ্রেস এম এল এশিং অমমমতা ওইনা উন্নদুনা ৱারী শান্নখিবগা লোয়ননা লাক্কদবা এসেম্ব্লি মীখল অসিদা পার্টি অসিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটশিংগসু অমমমতা ওইনা উন্নখিবনি। লোয়ননা লাক্কদবা মীখল অসিগীদমক্তসু ইলেক্সন মেনেজমেন্ট কম্মিটি অমদি প্রদেশ ইলেক্সন কম্মিটিগী মীফম পাঙথোক্তুনা মীখলগা মরী লৈননা পায়খক্কদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা কুপ্পা খন্নখিবা লৈখ্রবনি।

## ইরাবতকী ওনলাইন কম্পিটিসন...

*লামায় ১গী মখা...* পরেং ৩০দগী হেন্দনা ইরক্কদবনি। মথং থাগী ২০ ফাওবগী মনুংদা শৈরেংশিং অদু থাজিল্লকপগা লোয়ননা মকোক মথং তারবশিংদা মথংশিংনা লুপা লিশীং ২, ১৫০০, ১০০০ অমসুং সর্টিফিকেটকা লোয়নবা মনাশিং পীবগা লোয়ননা কন্সোলেসন প্রাইজ ওইনা পার্টিসিপেন্ট মঙাদা শেলগী মনাশিং পীগনি।

মকোক মথং তারবশিংগী মনাশিং অদু সেপ্টেম্বর ৩০দা পাঙথোক্কদৌরিবা হিজম ইরাবতকী ১২৬শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা লান্থোক্কনি হায়রি।

## ট্রাইবেল য়ুনিটি দে পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস) : জে এ সী এগেনষ্ট এন্টি ট্রাইবেল বিলগী চীফ কনভিনর ঐচ মাংচিনখুপ অমসুং লৈখিদ্রবা মীওই ৯গী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা শরুক য়াদুনা ঙসি চুড়াচান্দপুরগী মাটা দামদা লৈবা অথৌবশিংগী খুভমদা ট্রাইবেল য়ুনিটি দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

খুভম অসিদা ওগষ্ট ৩১, ২০১৫দা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী এম এল এগী য়ূম অমা মৈ থাবগী থৌদোক্লচিংবশিংদা ট্রাইবেল মীওই ৯গী পুন্সি কৎথোকখিবনি। মখোয়গী হকচাংশিং অদু নুমিৎ ৬৩২ চুপ্পা মোর্গতা থম্লক্লবা মতুংদা মণিপুর গভর্ণমেন্টগা জে এ সীগগী মরক্তা খূৎয়েক পীনখিবা য়ান চে অমগী মতুংইন্না মফম অসিদা লৈরোল চনখিবনি। পনবা য়াবদি, লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টনা বিল অহুম রিজেক্ট তৌখিবদগী মীয়ামগী খোঙজং অদু চঙশিনখিবনি।

## টোটেল সটদাউন তৌরগনি...

*লামায় ১গী মখা...* সেপ্টেম্বর ৩দা বিষ্ণুপুরদা টোটেল সটদাউন তৌরগনি হায়রি।

অমরোমদা থম্বাল মরিক কোলেজদগী বোটনিগী ওজা এ সিলাবু লৈঙাক্না জুলাই ৫, ২০২১দা সী আই কোলেজদা ট্রান্সফর তৌবগী থোকখিবা ওর্দর অদুগী মায়োক্তা ওজা অসিনা পিটিম্নর ওইদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ৫৬২ ওফ ২০২১ ফাইল তৌরকখ্রে। ওজা অসিগী পিটিসন অসি ঙসি জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরনা লৌখৎতুনা খন্নরকপদা পিটিম্নরগী মায়কৈদা কাউন্সেল এম দেবানন্দনা লেপখি।

কোর্টনা পিটিম্নর কাউন্সেলগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা কেস অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংদা ইস্যু তৌখিবা নোটিশশিং গভর্ণমেন্ট এদভোকেট মোনোমলানা লৌখি। লোয়ননা গভর্ণমেন্ট এদভোকেটকী মায়কৈদগী কেস অসিগা মরী লৈননা ইন্সট্রক্সনশিং লৌনবগীদমক মতম পীবিনবা হায়জরকপদগী চয়োল অমগী মতম কোর্টনা পীখি।

কেস অসিগী মখা তাবা হিয়ারিং পাঙথোক্লবা মথং থাগী ৯দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি। লোয়ননা কেস অসিগী মথংগী নুমিৎ অসি ফাওবগী ওইনা পিটিম্নর ওইরিবী ওজা অঙোম সিলাবু ট্রান্সফর তৌবগী জুলাই ৫দা থোকখিবা ওর্দর অদু সস্পেন্দ তৌদুনা থম্লে হায়না কোর্টনা ওর্দর পীখি।

## কোংগ্রেসনা পংহায়দা হায়জিল্লগা ...

*লামায় ১গী মখা...* লেপ্তুনা ঈংবা-চিকপা মণিপুর অমা ওইরবনি। কোংগ্রেসকী চহী ১৫গী লৈঙাকনা হৌদোক্লমদবা স্কিম কয়া বি জে পিগী এন বিরেনগী লৈঙাক অসিনা হৌদোক্তুনা লায়রবা কয়াগী মীৎকী পি তৈথোকপীখ্রে। চীংগা তমগা লাপ্পরম্বা মরী অদু নকশিন্নদুনা অমত্তা ওইবগী ৱাখল পোকহল্লে। লম্বী থোং কয়া শেমগৎতুনা ঙসিদি মণিপুর অসি চাওখৎ লম্বীদা মাঙজিল থাবা ষ্টেট অমা ওইখৎলক্লিবনি। মসি পূম্নমক তুংওইনরম্লগা মীয়ামদা অরানবা ৱাফম কয়া হায়জিন্দুনা মীয়াম্বু লান্না লমজিংলগা বি জে পিবু নমথনবা হোৎনবা জয়রাম রমেসকী ৱাঙাঙশিং হৈরোক বি জে পি মন্দলনা কন্দেম তৌই। ষ্টেটকী ইলেক্সন ওবজার্ভর অমা ওইনা অসিগুম্বা মীনা ইনশিল্লগা হায়বা মানবা ৱাফম মতুংদা অমুক হন্না হায়বীগনু হায়খি।

কোংগ্রেসকী মীফম অদুদা সী এল পি লুচিংবসু ওইরিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা হৈরোক এ সীগী মতাংদা হায়খিবা ৱাফম অদু য়াম্না কন্না য়ানীংদবা ফোঙদোক্লদুনা চৌরজিৎনা মখা তানা হায়, করম্বা গ্রাউন্দদা হান্নগী সী এমনা হৈরোক্কী এম এল এ ডা. টি ঐচ রাধেশ্যামবু হুন্দুনা ঙাঙলিবনো। ইবোবী মশামক্লা মাগী এ সীদা ফাওবা তৌবা ঙমদবা থবক কয়া এম এল এ অসিনা হৈরোক্কী মীয়ামগীদমক তৌই হায়বসি ইবোবীনা খঙজরমদবসি লাইবক থীবনি। কোভিদ-১৯দা লৈখিদ্রবা ইমুং ১৫দা লুপা লিশীং ৫০/৫০ পীরিবা অসি এম এল এ রাধেশ্যামনা হৈরোক্কী মীয়াম্বু লূম্না লৌজবগী ময়েক লারবা খুদম অমনি। মীয়াম পূন্না চাওখৎমিন্নবা, মীয়াম পূন্না হিংমিন্নবা হায়বা ৱাখল্লোন অসিদা এম এল এ রাধেশ্যামনা লৌমী শিন্মী, তোল্ল-তারবা কয়াগী য়াইফনবা লৈজবা পূম্নমক কৎথোক্তুনা মীয়ামগী থৌগল তৌই হায়বসি এক্স চীফ মিনিষ্টর ইবোবীনা খঙজিনবীয়ু হায়খি।

## সী এমনা হায়খিবা ৱাফম ...

*লামায় ১গী মখা...* হায়, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচীংদা য়ুরিয়া হার লৌননবা ৱাঙুগী লৌমীশিংনা মরী লৈনবা পাট্টা অমদি অধার কার্দ য়াওনা চে চাংশিং পূন্না ৯৩৮ থাজিনখ্রবা মতুং ঙসি চয়োল অমা হেল্লবা ফাওবা য়ুরিয়া পীবিদ্রে। মণিপুর লৈঙাক্না লৌমীশিংবু তশেংনা নুংশিবীরবদি লৌমীশিংগী অৱাবশিং খঙবীদুনা নুমিৎ হুমনিগী মনুংদা হার ফংহনবীয়ু নৎত্রবদি মসিগী মতুংদগীদি লৌমীশিংদা হার পীরবসু লৌফমদা হার চাইবগী মথৌ তাদ্রে হায়খি।

টি ঐচ ধমেননা মখা তানা হায়, লৌমী অয়াম্বনা চহীসিদা নোং মতম চানা অমদি মরাং কায়না চুখিদবনা ঙম্না ঙম্নবা পাম্বৈ কয়া শীজিন্নদুনা শেল চঙলবসু চঙনা ৱাটর পম্প শীজিন্নদুনা ঈশিং মথাং অনী/অহুম থোক্লা চিংখৎতুনা লৌ পানখিবা লৌফমশিংদা য়ুরিয়া হার চাইনীংলবা মতমদা হার ফংদবগী অৱাবা কয়া থেংনরিবা অসি লৈঙাক অসিনা লৌমীশিংবু থৌওইবীদবনি হায়রদুনা লৈঙাক্না লৌমীশিংগী ইনকম মথং চহী ২০২২ ফাওবদা দবল ইনকম ওইহনগনি হায়দুনা চিন্দা খক্তা লাউবগী মহুত্তা থবক্তা ওন্থোক্লবা পোলিসি প্রোগ্রামশিং ঙসি ফাওবা তৌবিদ্রিবা অসি মতৌ করম্না দবল ইনকম ফংহনগদৌরিবনো হায়নসু হংখি।

মণিপুরগী মফম অয়াম্বদি নোং চুরকপা ঙাইদুনা, মোন্সুন সিজন ঙাইদুনা লৌ উনবা লৌফমনা অয়াম্বা ঙাক্তনি। লৈঙাক্কী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা মফম চাবা-চাবশিং য়েংলগা ঈথৈ লৌখোং, দাম, নোংগী ঈশিং পুখ্রিনচিংবদা য়োকশিন্দুনা থম্বীদুনা লৌমীশিংনা চহী খুদিংগী থেংনরিবা ঈশিংগী অৱাবশিং কোক্লনবা থৌরাংশিং লৌখৎপীদুনা মথং চহীদা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা লৈতনবা মতম লৈরিঙৈদা থবক অসি পায়খৎপীয়ু হায়রি।

লোয়ননা লৈঙাক্না লৌমীশিংগী দবল ইনকম ফংহনবা হায়বসিদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা মতম মতমগী ওইবা মরূ মরাং য়াওনা মথৌ তাবা খুদিং মতম চানা লৌমীশিংদা ফংহল্লবা খক্তদা ওইথোক্কনি হায়রদুনা ঙসি ফাওবদা লৌমীশিংনা লৌ উরগা ইমুং মনুংগী লৈত-লায়র, অঙাংশিংগী লাইরিক তমহনবা ঙমলোইদবগী ফীভমদা লৈরক্লি। লৈঙাক্না লৌমীশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং খঙবীবগী মহুত্তা লৌমীশিং লৈতনবা থৌরাং তৌরব্রা হায়বা ৱাহংসু মহাক্না লৈঙাক্কী মফমদা হংখি।

## ইলেক্ট্রিককি গাড়ীশিং শীজিন্নবা ...

*লামায় ১গী মখা...* খূৎয়েক পীনরে হায়রদুনা অসিগুম্বা থবক অসিনা হৌজিক লৈরিবা গার্বেজ কলেক্সন ভেহিকলশিংগী মহুৎ ইকো-ফ্রেন্দলি ওইবা গাড়ীশিংনা মহুৎ শিনবা ঙম্লগনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, ঙসি চীফ মিনিষ্টরনা য়ু এল বিশিংদা য়েন্থোকখ্রিবা ঈ-কার্ট ৱেষ্ট কলেক্সন ভেহিকলশিং অসি 'মেনেজমেন্ট ওফ সোসলদ ৱেষ্ট ওন রিজনেল বেসিস (ক্লষ্টর-বি ইন মণিপুর)' হায়বা প্রোজেক্ট অসিগী মখাদা মপান লমদগী লৈবনি।

প্রোজেক্ট অসি নন লাপসেবল সেন্ট্রেল পুল ওফ রিসোর্সেস (এন এল সী পি আর) গী মখাদা মিনিষ্ট্রি ওফ দোনরনা ফন্দিং তৌবনি। প্রোজেক্ট অসিগী অপূনবা শেনফমনা লুপা ক্রোর ১৩.৫২নি। অদুগা স্কিম অসিগী ইমপ্লিমেন্টিং এজেন্সীনা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মাহুদ লোয়শঙনি। হায়রিবা ৭৫ ঈ-কার্ট ৱেষ্ট কলেক্সন ভেহিকলশিং অসি থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, লিলোং (থৌবাল) ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল য়াওনা য়াইরিপোক, ৱাংজিং লমদিং, সিখোং সেকমাই, অন্দ্রো অমসুং হৈরোক ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলদা য়েন্থোকখিবনি হায়রি।

# জেমাদার অমবু হবিলদারদা হন্থহনবগী দি জি পিগী ওর্দর হায় কোর্টনা ...

*লামায় ১গী মখা...* হবিলদারনি হায়রি। মসিগী মথক্তা মহাক পুলিস মেদল ফোর গেলেন্ট্রি (পি এম জি) অমা অমসুং গুদ সর্ভিস মার্কস (জি এস এম) ১৯ ফংবদগী পিটিম্নর মশাগা লোয়ননা অতোপ্পা হবিলদারশিংবু কুমজা ২০১৬তা টেন্থ পর্সেন্ট কেটেগোরিগী মখাদা আউট ওফ টর্নদা জেমাদারদা প্রমোসন পীনবগীদমক রেকোম্মেন্দ তৌখি হায়রি।

চৈরক অসিদা হায় কোর্টনা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ১০৮৩ ওফ ২০১৮গী মতাংদা মার্চ ১৯, ২০২০দা পীখিবা ওর্দর মতুংইন্না ওক্টোবর ২২, ২০১৮দা পাঙথোকখিবা রিভিয়ু দি পি সী অদু সষ্টেনেবল ওইদে হায়বদগী পিটিম্নর মশামক য়াওনা অতৈ হবিলদারশিংবু জেমাদারদা প্রমোসন পীনবগীদমক ফ্রেস রিভিয়ু দি পি সী অমা পাঙথোক্লবা দিরেক্সন পীখি হায়রি।

কোর্টকী ওর্দর অসিবু থবক্তা ওন্থোক্লদুনা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী মরী লৈনবা ওথোরিটিনা হান্না ওক্টোবর ২২, ২০১৮দা পাঙথোকখিবা দি পি সী অদুগী ফ্রেস রিভিয়ু দি পি সী অমা পাঙথোক্লবা থবক লৌখৎখি।

অদুম ওইনমক পাঙথোক্লবগীদমক থবক লৌখৎপা হৌরবা ফ্রেস দি পি সী অদুগী প্রোসেসতা গুদ সর্ভিস মার্কস ১৯ ফংলবা পিটিম্নর অসিবু মতিক চাবা মরম অমত্তা পীদনা দি জি পিগী ষ্টেন্দিং ওর্দর মতুংইন্না জেমাদারদা প্রমোসন পীবগী খন্নবদা য়াওহল্লকখিদে হায়রি।

থৌওং অসিদগী পিটিম্নর মশানা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ২৩২ ওফ ২০২১ ফাইল তৌখি। কোর্টনসু মহাক্কী পিটিসন অসিগী ওর্দর মার্চ ৯, ২০২১দা পীরক্তুনা কেস অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংদা পিটিম্নরগী প্রেয়র নম্বর ৪ অদু খন্নরগা পীফম থোকপা ওর্দর পীননবা দিরেক্সন পীরকখি হায়রি।

অদুবু, দি জি পি মণিপুরনা থা অসিগী ২৫দা থোরকপা ওর্দর অমদা হবিলদার ৫৮বু জেমাদারদা রেগ্যুলর বেসিসতা প্রমোসন পীরকখি। ওর্দর অসি হান্না এপ্রিল ২৫, ২০১৬তা থোকখিবা অদুগী মহুত্তনি। লোয়ননা এপ্রিল ২৫, ২০১৬তা জেমাদারদা প্রমোসন পীদুনা চহী ৫গা থা ৪ থবক তৌরক্লবা পিটিম্নর অসিবু হবিলদারগী পোষ্টতা অমুক হন্না হন্থহল্লকখিবনি হায়রি।

থৌওং অসি পিটিম্নর ওইরিবা পর্সনেলশিংগী সর্ভিস করিয়রদা য়াম্না থীনা শোকহনবদা নত্তনা মহাক্কী ফন্দামেন্টেল অমসুং লিগেল রাইটশিং ভাইওলেট তৌবনি হায়রদুনা দিপার্টমেন্ট অসিনা চৎলিবা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ১৭ অমসুং ১৮দা পাঙথোকখিবা ফ্রেস রিভিয়ু দি পি সী অদু ইল্লিগেল ওইবা দি পি সীশিংনি অমসুং থা অসিগী ২৫দা দি জি পিনা হবিলদার ৫৮বু জেমাদারদা প্রমোসন পীরে হায়না থোরক্লিবা ওর্দর অসিসু ইল্লিগেল ওইবা ওর্দরনি হায়বসিনি।

পিটিম্নরগী রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ৫৬৩ ওফ ২০২১ অসি ঙসি জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী বেঞ্চনা খন্ননবা লৌখৎলকপদা পিটিম্নরগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল এম হেমচন্দ্রনা লেপখি।

কোর্টনা পিটিম্নর কাউন্সেলগী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা কেস অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংদা মথং থাগী ২৮ ফাওবগী মনুংদা পাউখুম পীরক্কদবা নোটিশশিং ইস্যু তৌখি। কোর্টনা ইস্যু তৌখিবা নোটিশশিং অদুগী মনুংদগী রেসপোন্দেন্ট নম্বর ১ অমসুং ২ ওইরিবা চীফ সেক্রেটরি/স্পেসল সেক্রেটরি (হোম) অমসুং দি জি পি, মণিপুরগী নোটিশশিংনা গভর্ণমেন্ট এদভোকেট নিরঞ্জন সনসমনা লৌখি। অদুগা লেমহৌরিবা প্রাইভেট রেসপোন্দেন্টশিং ওইরিবা রেসপোন্দেন্ট নম্বর ৩দগীনা ১২ ফাওবগী নোটিশশিংনা স্পীদ পোষ্টতা থাননবা কোর্টনা দিরেক্সন পীখি।

অদুম ওইনমক কোর্টনা মরক্কী ওইনা পীখিবা ঙসিগী কেস অসিগী ওর্দরদা দি জি পি, মণিপুরনা থা অসিগী ২৫দা থোকখিবা হবিলদার ৫৮বু জেমাদারদা প্রমোসন পীবগী ওর্দরগী পেরেগ্রাফ নম্বর ৪দা পিটিম্নরবু হবিলদারদা অমুক হন্থহল্লকপগী ওর্দর অদুবুদি কেস অসিগী মথংগী নুমিৎ ফাওবা সস্পেন্দ তৌদুনা থম্লে হায়খি।

পনবা য়াবদি, কোর্টনা মেট্টর অসি মথং থাগী ২৮দা মখা তানা খন্ননবগীদমক লিষ্ট তৌননবা দিরেক্সন পীখিবনি।

# 'কোভিসিল্ড' গী অহাঙবা ভাইলশিংদা শকখঙদবা হীদাক হাপ্লগা য়োন্নবা...

*লামায় ১গী মখা...* ভেক্সিনগা কোন্ননা ফাগৎখিবা থৌদোকশিং লৈখ্রবনি। অদুগা হায়রিবা হীদাক অসি ইম্ফালদগী মোরে রোমদা পুশিন্নবা হোৎনরম্বনি হায়বা থৌদোকশিংসু থোকখ্রবনি।

অমরোমদা, ঙসি নুংথিলগী কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমগী রিপোর্ট মতুংইন্না ষ্টেট অসিনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মায়োক্লরকপদগী লায়না অসিনা মরম ওইদুনা নুংতিগী য়াল্লবা মীওইশিংগী পুন্সি মাঙহন্দুনা লাকখ্রবসু হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা শুপ্নতগী মীওই অমখক্তমক লৈখিদ্রে হায়বগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদনা অনৌবা পোজিটিভ কেস ৩৮২ থেংনরে হায়রি।

নৌনা থেংনবা পোজিটিভ কেসশিং অসিগী মনুংদা ৮না সী এ পি এফনি অদুগা লেমহৌরিবা ৩৭৪না মীচম মীয়ামশিংনি। মখোয়গী মনুংদা নুপা ১৮৮ অমসুং নুপী ১৮৬ য়াওরি। মখোয়বু পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবা টেষ্টিং সেন্টরশিংনা রিমস ৪, জেনিমস ৩৮, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা ২৩৩ অমসুং অতৈ টেষ্টিং সেন্টরশিংদনা ১০৭ থেংনবনি। অদুগা পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অদুনা ইম্ফাল ইষ্টতগী ৬৬, ইম্ফাল ৱেষ্ট ১৪৯, থৌবাল ১৭, বিষ্ণুপুর ২৮, ককচীং ৩১, উখ্রুল ১১, চুড়াচান্দপুর ২৭, চান্দেল ৫, সেনাপতি ১, তমেংলোং ১৫, জিরিবাম ১, নোনে ২, ফেরজোল ৫ অমসুং কাংপোকপীদগী মীওই ১৬নি।

অমরোমদা, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ষ্টেট লেভেল কোভিদ-১৯ দেথস ওদিট কম্মিটিগী রিপোর্ট মতুংইন্না লায়না অসিনা মরম ওইরদুনা শুপ্নতগী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই অমখক্তমক লৈখিদ্রে হায়রি।

নৌনা লৈখিদবা মীওই অমা অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা লৈখিদবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ১৭,৮২ শুরে হায়বগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা মীওই অসি নুপীনি। মহাক কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিদ্রিবীনি হায়রি। অদুগা ঙসিগী ওইনা হোম আইসোলেসন্দগী ১৫২, রিমসতগী ৬, জেনিমস ৬, সী সী সীশিংদগী ১০৫ অমসুং সী ঐচ আই সীশিংদগী মীওই ৫৫ য়াওনা পূন্না মীওই ৩২৪ লায়না অসিদগী ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখ্রে হায়রি।

অদুম ওইনমক নৌনা থেংনখিবা পোজিটিভ কেস ৩৮২ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিদা থেংনবা অপূনবা পোজিটিভ কেসশিংগী মশীং ১,১৩,৯৩৩ (মীচম মীয়াম - ১,০৯,৮১৬, সী এ পি এফ - ৪,১১৭) শুরে। ফগৎলকখ্রবা অপূনবা মীশিংনা ১,০৮,৭৫৪ (মীচম মীয়াম - ১,০৪,৬৬৪, সী এ পি এফ - ৪,০৯০) নি হায়বগা লোয়ননা এক্টিভ কেসশিংগী মশীংনা ৩,৩৯৭ (মীচম মীয়াম - ৩,৩৭৫, সী এ পি এফ - ২২) লৈরি। রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৫.৪৫ দা লৈরে হায়রি।

লায়না অসিবু থেংননবগীদমক লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুং চন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী মশীংনা দি টাইপ-১৩৫৫ অমসুং বি টাইপ - ৩০৭নি হায়রি।

লোয়ননা ঙরাংখক্তদা মীওই ৪৫৮২ হীদাক কাপথোকখিবা থারগা ঙরাং ফাওবগী ওইনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ১৫,২৪,৪০৮ (ফর্ষ্ট দোজ - ১১,৮৬,৭০২ অমসুং সেকেন্দ দোজ - ৩,৩৭,৭০৬) শুরে হায়রি।

# পি ঐচ ঈ দিগী মথক্তা ফাইল তৌরকপা পিটিসন ৩ হায় কোর্টনা ...

*লামায় ১গী মখা...* তৌখিবগী মায়োক্তা ফাইল তৌরকখিবা য়াওনা অপূনবা পিটিসন অহুম অদু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরগী বেঞ্চনা থেঙ্খাং নাইনা লৌখৎতুনা মসিগী ৱায়েল চথরকখিবনি। অদুগা ৱায়েলশিং অদুগী লোইশিল্লকপদা কোর্ট অসিনা পীখিবা পিটিসন অহুম্মক্কী ওইবা কম্মন জজমেন্টদা পিটিসন অহুম্মক রিজেক্ট তৌখিবনি।

কোর্টনা পীখিবা কম্মন জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুনা ফোঙদোকপশিংগী মনুংদা মার্চ ২৬, ২০২১দা থোকখিবা লোয়শঙ অসিগী এন আই টি অদুগী পেরা নম্বর ৭তা এন আই টি অসিগীদমক ইলিজিবল ওইরবা কম্পেনি/ফার্ম/মেন্যুফেকচররশিংনা মসিদা শরুক য়াননবগীদমক এন আই টি অসিবু থোকখিবা নুমিৎ (মার্চ ২৬, ২০২১) গী নুংথিলগী পুং ২দগী হৌরগা এপ্রিল ২১, ২০২১গী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ তারকপা ফাওবগী মনুংদা ওনলাইনদা সবমিসন তৌরক্কদবনি হায়খিবনি। অদুগা তোঙান তোঙানবা মেন্যুফেক্চররশিংনা সবমিট তৌনরকখিবা টেক্নিকেল বিদসশিং অদুনা এপ্রিল ২১, ২০২১গী নুংথিল পুং ১দা হাংদোক্কনি হায়বগা লোয়ননা টেক্নিকেল ওইনা ক্বালিফাই ওইরবা বিদরশিং কোন্না খঙহল্লগনি হায়খিবনি।

কেস অসিগী পিটিম্নর ওইরিবা মেন্যুফেক্চরর অসিসু এন আই টি অসিদা এপ্লাই তৌবা য়াবদগী বিদ নম্বর ৪৫২৩গী মখাদা এপ্রিল ২০, ২০২১দা সবমিট তৌরকখি হায়রি।

মহাক্না ইরোয়ননা কেস অসিগী রেসপোন্দেন্ট নম্বর ৪ ওইরিবা এম/এস বি এস টি ইনফ্রাটেক্ট অমসুং রেসপোন্দেন্ট নম্বর৫ ওইরিবা এম/এস বিসাল পাইপস লিমিটেদ অমসুং স্বাষ্টিক পাইপস লিমিটেদসু মার্চ ২৬, ২০২১দা সবমিট তৌরকখি হায়রি।

অদুম ওইনমক এপ্রিল ২১দা লোয়শঙ অসিগী চীফ এঞ্জিনিয়রনা থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অমদা মণিপুরগীদমক জি আই পাইপ (ক্লাস-মেদিয়ম/হেভি) শিং লৈনবগীদমক কৌখিবা এন আই টি অদু টেন্দর ওপনিং কম্মিটি অমনা হাংদোক্লগনি অমসুং হৌজিক সবমিসন তৌনরক্লিবশিং অদু ইভাল্যুএসন তৌরি হায়না খঙহল্লকখি হায়রি। মসিগী মতুংদা অতোপ্পা মে ৫, ২০২১দা চীফ এঞ্জিনিয়রনা থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অমদনা হায়রিবা পাইপশিং অসি লৈনবগীদমক কৌখিবা এন আই টি অদু মে ৬, ২০২১গী অয়ুক পুং ১১.৩০দা হাংদোক্লগনি হায়না অমুকসু খঙহল্লকখি হায়রি।

লোয়ননা মে ৫দা কেস অসিগী পিটিম্নরগী ফার্মদা ঈ-মেলগী খূত্থাংদা খঙহনখিবদা টেন্দর অসিগীদমক মহাক্না সবমিট তৌরকখিবা বিদ অদু টেক্নিকেল ইভাল্যুএসন তৌবা মতমদা টেক্নিকেলগী ওইনা ক্বালিফাই ওইদবদগী রিজেক্ট তৌরে হায়দুনা খঙহনখি হায়রি।

ৱাফম অসি খঙহল্লবা মতুংদা পিটিম্নরগী ফার্ম অসিনা মে ৬তা লোয়শঙ অসিগী মরী লৈনবা ওথোরিটিদা মহাক্কী বিদ অদুবু রিজেক্ট তৌবগী মরম চপ চানা খঙহনবীরক্লবা হায়রকখি। লোয়ননা কোর্ট অসিদা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ৪১০ ওফ ২০২১ ফাইল তৌরকখি। লোয়ননা হায়রিবা মহাক্কী পিটিসন অসিগী ৱায়েল পন্দুনা লৈরিঙৈদা লোয়শঙ অসিগী জোইন্ট সেক্রেটরিগী মায়কৈদগী জুন ১, ২০২১দা পিটিম্নর অসিনা অইবা চেরোল অমা ফংখি হায়রি।

চেরোল অদুদা ওদিটরগী ফাইনান্সিয়ল য়র ২০১৭-১৮গী রিপোর্ট অমসুং ফাইনান্সিয়ল য়র ২০১৮-১৯গী রিপোর্টকা লোয়ননা ফাইনান্সিয়ল য়র ২০১৯-২০২০গী ওদিটরগী রিপোর্টতা মেন্যুফেকচরর অসিগী প্রদক্টকী টর্ন ওভর উত্তে হায়বগীদমক রিজেক্ট তৌবনি হায়দুনা খঙহল্লকখি হায়রি।

অদুম ওইনমক পিটিম্নরগী মায়কৈদগী সিভিল রিট পিটিসন অহুম অসি ফাইল তৌরক্রিঙৈগী মাঙওইননা অহানবা ওইনা ফাইল তৌরকখিবা দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৪১০ ওফ ২০২১ অমসুং মদুগা মরী লৈনবা মিসেলিনস কেস (দব্লিয়ু পি - সী) নম্বর ১১৩ ওফ ২০২১ অদু দিসমিস তৌখি হায়রি।

লোয়ননা মসিগী মতুংদা পিটিম্নরগী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকখিবা অনৌবা পিটিসন অহুম্মকসু কোর্ট অসিনা পীখিবা কম্মন জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অমদা পুল্লপ রিজেক্ট তৌখিবনি হায়রি।

কোর্টনা মেট্টর অসি খন্নরকপদা পিটিম্নরশিংগী মায়কৈদা কাউন্সেল আই দেনিংনা লেপখি অদুগা রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদনা এদভোকেট জেনরেল নাওরেম কুমারজিৎ অমসুং সিনিয়র কাউন্সেল ঐচ এস পাওনমনা লেপখি।